# অসুম্না অসুম লেনবা তারবরা?

**মতম মতমগী**

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

মৈতৈগী মথক্তা কুকি ফূরুপ্না লান হৌরকখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা অমুক্তা লাকপীয়ু, মীশি-মীনা, অশোক-অপন কয়া মায়োক্নরবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপীয়ু হায়জবদা তাবীখিদ্রবা, লাকপীবদি লায়রদুনা মণিপুর পল্লু হায়বা ফাওবা য়াবীখিদ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র দামোদর দাস মোদি চহী অনীগা থা অহুম নুমিৎ তরানিগী মতুংদা মণিপুরদা পুং খরগী খোঙচৎতা নহান তাং ১৩দা লাকখ্রে। ইম্ফালগী কংলা অমসুং চুড়াচান্দপুরগী পীস গ্রাউন্দদা ৱা ঙাঙখ্রে। আই দি পি খরগসু উনরমখি হায়। মসি নত্তনা লমদম অসিগী পোলিটিসিয়নশিং অমদি সী এস ওগী মীহুৎশিংগা উনরম্বগী পাউ লৈতে, উনরমদে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনবা (উরেপ তম্বা) অমদি খরগীনা শঙ্গাবা ওইরম্লে। ঐখোয়না খল্লম্বগা তাইওন্নরে। চুড়াচান্দপুরদা পূন্না লুপা ক্রোর ৭৩০০গী শেনফম্না পায়খৎকদবা অনৌবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তম্লমখি অদুগা কংলাদনা দেল্লীগী দ্বারিকা অমসুং কোলকটাগী সোল্ট লেকতা শাবা মণিপুর ভবন অনী য়াওনা অপূনবা লুপা ক্রোর ১২০৩ রোমগী দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং শঙ্গারমখি। দেল্লী অমসুং কোলকটাদা শাবা ভবন অনী য়াওনা মমাঙথক্তা শাবা লোইখ্রবা ৱিমেন মার্কেট অমসুং ন্যু সেক্রেটরিএট শঙ্গাবা লাকপা ওইরম্লে। লমদম অসিগী লুচিংবশিং মরু ওইনা লৈঙাক শেম্নিংবনা খ্রো-খ্রো খোৎপমখৈ লূম্লিবশিংদি হরাওজখি। নহানমখৈ শংদবনা লাকপা ঙমখিদ্রবসু মোদিনা মণিপুরবু নুংশি হায়বসি মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা তাক্লে হায়না ফাওবা হায়জবা লুচিংবা য়াওখি। পি এমগী খোঙচৎ মপূং ফাহন্নবা, মী মশীং য়াম্না তিন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনজখি। মী মশীং য়াম্না তিন্নখি হায়, কংলাদা চৌক্রি লিশীং ১৫ এরেঞ্জ তৌবদা নোং মরক্তা ফম্ফম ফংদবদগী মী থোক্নরকখি হায়। ঐ ইশামক চৎলুবদি নত্তে, ফেসবুক অমসুং পাউচেদগী ফংজবা পাউনি। মসিমক্না মোদিগী খোঙচৎ মণিপুরগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে, মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারবরা?

সেপ্টেম্বর ১৩, পি আর থম্লকপা থা তরেৎ মপূং ফারকপা মোদি লাকখিবা নুমিত্তা মণিপুরদা জেনরেল ষ্ট্রাইক লৈখি। অয়ূক্তা খ্বাইরম্বন্দ বজারগী দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে, বজার ফম্নখিদে, ওটো য়াওনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী চেনখিদে, খুন্তাক লানশিখি, নোংসু চুখি। মণিপুরগী তম্পাক্কী অতৈ বজারশিংসু কানখিদে হায়। মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈনা মোদিবু শাওরি, বি জে পি অমদি ইন্দিয়া লৈঙাকপু ৱারৌরি, লমদম অসিগী ঐখোয়গী লুচিংবশিংবু পেন্নদবগী চাং হন্দ্রি, নুমিৎতুগী অয়ূক্কী খ্বাইরম্বন্দ বজারগী দৃশ উরুবদা খল্লুবা ঐগী ৱাখলনি। অদুবু তাইওন্নরম্লে, ঐনা খল্লুবদু ওইরমদ্রে, ঐমুক পঙবা লৈরমদ্রে। অয়ূক্কী পুং ১১ মুক তারকপা অদুৱাইদগীদি কংলা অমসুং মসিগী অকোয়বদা মীনা কৃক-কৃক ইন্নরক্লে। ঐ ইশানা চৎলুদুনা উরকপদি নত্তে, ফেসবুকতা থাগৎনরকপদগী খঙবনি। নোং মরক্তা বি জে পিগী ছাটিন পায়দুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতা চঙনবা ইন্নবগী ভিদিও অমসু থাগৎলকপা থেংনখি, বি জে পিগী সিম্বোল য়েকপা শাড়ী শেৎপা খরসু থেংনৈ। অদুগুম্বা সিনশিংদো ফেসবুকতা মথং মথং উরক্লবনিনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমদ্রবা ৱাখলসিসু চুম্লিবরা লাল্লিবরা চপ চাবা খঙদবা ৱাখল ময়াম অমসু খল্লক্লে। অয়ূক্তা বজারদা খুন্তাক লানশিবগুম লল্লোনবী অমত্তা উখিদবা অদু মোদিগী মীটিং চৎনবা বজার কারক্ত্রিবরা হায়বা ফাওবা খল্লক্লে। নুমিৎতুদি ফেসবুক য়েংবসু নুংঙাইরে। প্রাইভেট টিভি চেনেলশিংগী পাউমীশিংনা লৌবা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগা উনবগী পাউসু থাদোরকখি। করি লমদগীনো ইশানা লাক্লিংনা লাকপরা হংবদা মখোয়না চৎলুসি হায়না লাকপনি হায়না খুল্লকই, মখোয় হায়রিসি কনানো হায়না মখা তানা হংবদা মশাগী এ সীগী এম এল এগী মমিং (এ সী অমসুং এম এল এগী মমিং হাপচররোই) শেংনা পল্লকপসু য়াওই। অঙ্গনৱাদিগী ৱার্করনি মীটিং চৎত্রবদি কক্কনি হায়বদগী লাকপনি হায়রকপসু য়াওই। হাউজিং লোন পীনি হায়বগী লাকপনি হায়বসু য়াওই। চৎত্রবদি এজেন্টনা চেঙ পীরোই হায়বগী লাকপনি হায়বনচিংবা কয়া কয়ানি। এমপ্লোয়ীশিং শোয়দনা য়াওগদবনি হায়বগী ওর্দর থোকই হায়নবসু লৈ। মোদি য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ফম্ফম লৈতে হায়না থোরক্লবসু য়াওই। মী হোল্লকপগী বস পরেং পরেংগী ফোটো থাগৎলকপসু য়াওই। মচুম চাবা তান্নবদা হৈঙাংনা ফর্ষ্ট, বিষ্ণুপুরনা সেকেন্দ, থোংজুনা থার্দ তারে হায়না থাগৎলকপা ঐখোয়নদি করি হায়রিবনো হায়বা ৱাখলসিনা লাম্বা ফংদবা পোষ্ট অমসু থেংনখি।

মখল মখা কয়াগী পোষ্ট কয়া কয়ানি থাগৎনরক্লিবা, লোইনমক ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা লৈজদে অদুবু লাকচনীংলিবদি সেন্টরনা, মোদিনা, মহাক্কী পার্টিনা অমদি লমদম অসিগী ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা ঐখোয়বু করিনি হায়না লৌরমগনি? ঐখোয়না মতম কয়াগী মমাঙদগী লাকহন্নীংখিবা লাকপীনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জদুনা লাকখিবা মালেমগী লুচিংবগী মিংথোল ফংলবা, ইন্দিয়াগী ওইনা তৌগে হায়বতা তৌবা ঙম্বা, ওইহনগে হায়বদুসু ওইহনবা ঙম্বা মীওইদু থেঙলবসু থেঙনা লাক্লম্লে। মশা মশানা য়ানীংনা লাক্লিবরা, নমদুনা লাকহনবরা, পামদ-পামদা লাক্তবা য়াদবদগী লাক্লিবরা অশেংবদু খঙদ্রবসু পি আর লৈঙাক অমসুং লমদম অসিগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা টার্গেট তৌবা মীগী মশীং অদুদি লাকখি হায়না লৌবা য়াই। ঐখোয়গী লুচিংবশিং হরাওরমগনি। তিল্লিবা মীপূম খুদিংমক্না মোদিগী ভাষনদুদি তারমগদ্রা, তানীংলমগদ্রা? অতাবশিংনা ঙাঙলিবশিংদো খঙদি খঙলমগদ্রা? মরক মরক্তা খূবাকপুদি হৌনা হৌনা খুরমগনি। কংলাদা পীখিবা মোদিগী ভাষণদা 'মণিপুর' ৫৪ রক পনখি, ৫৪রক পল্লবসু চহী অনী হেল্লক্লবা মীতৈ অমদি কুকি ফূরুপ অনীগী কুম পুরবা লান লোইশিন্নবগী মতাংদদি মোদিগী মৌন বর্ত থুগায়খিদ্রে। ঐখোয়গী পূন্সি অমদি নীংতম্বা শেলগা মন্তিক্নরম্লগা হনখ্রে, মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈগী মোদি খোঙচৎকী আশা পূম্নমক ভঙ্গ (কায়বা) তাহৌরে। থা নিপালগী অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগী থৱায় লৌখ্রবা, কয়া অমগীনা মশা ফংখিদ্রবা, মীওই লিশীং ৫০ মুক্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবা, নেশনল হায়ৱে ফাওদুনা চৎপা য়াদদুনা ঙায়োক চফু মনুংদা লৈবগুম লেল্লিবা মীতৈনা লুপা ক্রোর ৭৩০০গী দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টকী যাত্রা হুল্লম্বা অমদি লুপা ক্রোর ১২০০গী প্রোজেক্ট শঙ্গারম্বদা পেন্থোক্লসিরা? মদুসু মীতৈখক্তগী নত্তে, চীং-তম অনীগীনি।

ঐখোয়গী মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক লৈত্রবসু মীহুৎ ৫৯ দি (অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা) লৈরিদনা। ৫৯ সিগী মনুংদা মীতৈ মীহুৎ ৩৮ (ক্ষেত্রিগাও অমসুং জিরিবামগী য়াওদনা) য়াওরি। মসিগী মনুংদগী কোংগ্রেসকী মঙাদুমগা লৌথোকখ্রগা লৈঙাক শেম্লক্লবদি রুল্লিংদা ফমগদবা মীতৈ মীহুৎ ৩৩ লৈরিবা নৎত্রা? মখোয়না মোদিদা করি দিমান্দ তৌখি? লান হৌখিবা নুমিত্তগী অমুক্তং উন্ননবা হোৎনবদা উনবা ফংখিদ্রবা মোদি মশানা লমদম অসিদা লাক্লবা ফাওবদা করিগী উননবা হোৎনখিদবনো? মোদিনা চুরাচান্দপুরদা লাকপদদি কুকি এম এল এ ১০না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ (ওইসু ওইররোইদবা) তৌরগা মীতৈ এম এল এ ৩৩না কংলাদা ভি ভি আই পিগী ফম্ফমদা ফল্লগা মোদিগী ভাষন তাদুনা খূবাক খুদুনা লৈহৌবগী মরম মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈনা খঙনীংলম্লোইদ্রা?

কংলা মীফম লোইদুনা মোদি হনখ্রে, মফম অদুদা চৎতুনা তারুদ্রবসু মহাক্না ঙাঙলম্বশিং অদু খঙনীংদুনা মোবাইল ফোন্দা থি-থিদুনা অফংবা খরা তাখি। মে ৩, লান হৌখিবা নুমিৎতগী মোদিনা ঙাঙবা তাররোই হায়না তাখিদ্রবনি। মশক উনীংদদুনা টিভি ফাওবা য়েংখিদ্রবনি অদুবু ৱাশকপা য়ানবগী মওংদা পুং খরগী ওইনা লাক্লম্বা মহাক্কী মণিপুর খোঙচৎতুদা হায়রম্বশিং খঙনীংদুনা তারুবনি। মহাক্কী নুমিৎতুগী ভাষণ অদুদি মীয়াম মরু ওইনা মীতৈগীদি হরাওনীংঙাই ওইদে। চহী অনী হেন্না ময়াম হৌদুনা মহাকপু মণিপুরদা লাকপীয়ু হায়জখিবা অদুদি মী হাৎনবা লেপহনবীয়ু, লম্বী ফাওনহনবীয়ু, আই দি পিশিং ময়ূমদা নে-না তানা লৈবা ফংহনবীয়ু, ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহনবীয়ু, লান খাম্বীয়ু হায়জবনি। অদুবু দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট খরা শঙ্গারম্লগা, খরগীনা উরেপ উয়ুং তম্লম্লগা হনখ্রে। মীতৈনা শেল নীরুদে, শঙ্গাবীয়ু, উরেপ উয়ুং তম্বীয়ু হায়জখিদে (লৈঙাক্না হায়রমগদ্রা মদুমদি খঙদ্রে) মীয়ামগী অপাম্বদি ঈং-তপ্না পানবদুনি। অদুবু পূম্নমক তাইওন্নবগুম থোক্লে, মোদি লাক্লম্বগী করি কান্নবা লৈরবগে হংনীংলকপনি। বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মশক নাইবা লুচিংবা খরনা মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা পীরকপা কম্মেন্ট খরসু থেংনৈ মদুবুদি থোইদোক্তে, করি হায়রক্কদবা হায়বদুদি মোদি লাক্ত্রিঙৈদগী মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবনি। বি জে পিনা মোদিবু লাইগুম্না থাঙ্গৎপা কোংগ্রেসনা ক্রিটিসাইজ তৌবা, অনীমক চুম্বা য়াবরা? কনানা ৱায়েনগনি? ৱারী অমা নীংশিংলকই, নোংমা যমরাজনা মর্তদা (মালেমদা) চৎলুরগা স্বর্গদা (লাইরৈবাক্তা) লাকপদা গান্ধীজিনা মহাক্কী মমিৎ খুম্বা, মনা খুম্বা অমদি মচিন খুম্বা য়োং অহুমদু কমদৌহৌরি হায়না হংলুবদা যমরাজনা মখোয় য়াম্না নুংঙাইনা লৈহৌরি, মমিৎ খুম্বদুনা ৱায়েলহৌরি, মনা মেনবদুনা লৈবাক ঙাকহৌরি অদুগা মচিন খুম্বা মরোল থোক্তবা অদুনা মীচম মীয়াম ওইনা নৈনহৌরি হায়না খুল্লকই। ঐখোয়সিবু মরোল থোক্তবা য়োংদুগুম্না অদুম লেল্লগদ্রা? মোদিগী ভাষণ মতেক মতেক অদু তারুবদা অসুম খল্লকপনিদা, অসুম্না অসুম লেনবা তারবরা? ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৮

**- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -**

মহৌশাগী পাক্না শন্না লৈজরকপা অদুবু (সন্) লান্না শীজিন্নদুনা ময়েং তাহনবদগী পীকশিল্লকপা (পিক) অদুবু সনপীক (সবি) কৌনবনি। সবি মপান্দা চীংদা লৈঙাক্তুনা সবি মচাশিং মথং মথং পোল্লক্লবগীদমক (পোক) চীংগী লৈমাইদা হুননবা পিরকপা (পি) মরূ অদুবু 'পোংপি মরূ' কৌনবনি।

'ওক' হায়বা য়ূমদা য়োক্নরিবা শা মখল অসি চাবা থকপদা হূই হৌদোংগুম অমদি ষণ-ঈরোইগুম চিলহাও থিগনবা শা মখল অমা নত্তে। মী অমদি অতৈ অতোপ্পা শাশিংনা চাখি-থকখিবগী লেমহৌবা লুখাকশিং, লুখাক্তগী হেন্দোরকপা চগুম-চনাইশিং অসিনচিংবা পূম্নমকশিংবু মায়ওক্নদুনা ওকননবা চাবা হৈনবা শা মখল অদুবু 'ওক' হায়নবনি। লুখাক চাখাক, চগুম চনাই, চাগা চাদিং অসিনচিংবশিং চারগা তপ তাবা মখৈ তূম্লগা পেঞ্জবা, মবুক পোকখায়রগা বি পি ৱাংখৎচনা হিংজবা পাম্বা ওকনি।

মীগী থাক্তগী কুমথখিদুনা মথক্তা পঞ্জখিবা শা মখলশিং অসিগী থাক্তা ওল্লক্লিবা নৎত্রগা মীগী থাক্তগী কাখৎখিদুনা মীওইবা হায়বা অদুগী থাক্তা ওল্লক্লিবা হায়বদি শাইওন-লাংওন তৌনরিবা পূম্নমকশিং অসি মথক্তা পঞ্জখিবা নুমিৎ তরেৎনিগী মতাং মতম অহুম হায়বদি অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং হায়রিবা অহুমসিগী মনুংদা লোইনা থোক্নরিবা ঙাক্তনি। মী হায়বদুগী পূক্লিং-ৱাখল (পুংনিং-ৱাখল) অদুগী মতুংইন্না মীদুগী শা-হকচাং অদুনা (শা/শাই) ওল্লক্তুনা (ওন) শিন-লাংলকপদগী (লাং) অহোংবা অওনবা ওইরকপা (ওক) অদুবুনি 'শাওন-লাংওন'/'সাইওন-লাংওন' হায়না কৌনগদৌরিবসি। মথক্তা পঞ্জখিবা তোঙান তোঙানবা শাশিংগী হৈনবী ৱাখল, চাকচা-য়ুথক, লমচৎ-শাজৎ অসিনচিংবা পূম্নমকশিং অসিবু মী মহাক্না হৈনরক্লবা অমদি চৎনরক্লবা অদুবুনি মীনা শা ওল্লকপা হায়না কৌনগদৌরিবসি। লমহুই অমদি য়োংনা লৈবাক্কী লুচিংপুরেলনি হায়রক্লবা, লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনা হূই অমদি হৌদোং ওইরক্লবা, অঙম অথৌশিংগা য়ান্নরিবশিং অদুনা হূইলোই ওইরক্লবা, সবিনা চীং ঙাক্লক্লবা, লৈবাক মনুংগী লৈবাক মচা মচাশিং অদুগী লৈঙাক্লোইশিংনা খৌবুনাই/মীনাই ওইরকপগা লোয়নননা লুখাক-চাখাক, চগুম-চনাই হায়রিবশিং অসি চাবতনা মবুক থনবা ঙমজবা ওক ওল্লক্লবা, মীয়াম অমদি মীয়ামগী থবক তৌবা অদুগুম্বশিং অদুদা কৈদৌনুংদা অশংবা অতপ্পা অমদি নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু ওইরোই হায়বসি চুমদুনতা লৈরগদবনি।

ঙসিগী মীরোল অসিদা মরাল লৈজদবা মী ময়াম অমা শিরিবা, লৈত-লাইর মশীং হেনগৎলক্লিবা, অঙম্বা অকনবা লৈবাকশিংনা অশোনবা অপীকপা লৈবাকশিংদা লান্দানরিবা, অমগা অমগা য়েংথিনদুনা লানগী মফি শেম্নরক্লিবা অসিনচিংবশিং অসিনা মী মখল মখা কয়াগী অৱা চৈথেং পীরিবা পূম্নমকশিং অসি মী মহাক্না 'শা' অমদি ''শাহিং ঙাহিং চাবা' হায়বদু ওইরকপদগীনি। অঙৈং অশাগী চাং কায়থরক্তুনা খঙশা শাবা ওইরক্লিবা, খঙঈং ঈংবা হৌরক্লিবা, ঈশিং লম্বী মোৎশিল্লক্লিবা, মালেম লম্বী খুদোংথিনীংঙাই ওইরক্লিবা, কংফাল লম্বী উফুল ৱাইফুলনা থল্লক্লিবা, ঈরম খোঙলম পূম্নমকশিং ফুনজিল্লক্তুনা লায়না লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিনচিংবা পূম্নমকশিং অসি মী হায়বদুগী পূক্লিং ৱাখল ফাওদুনা শা অমদি শাহিং ঙাহিং চাবা হায়বদু ওইরকপদগীনি। মরম অদুনা হায়রিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিগী মনুংদা লৈরিবা অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং হায়রিবা মতাং মতম অহুম অসিবু মফম চানা মরম চানা অমদি মতম চানা শীজিন্নদুনা হায়বদি মতাং মতম অহুম অসিদা তৌগদবা তৌরোইদবা, চৎকদবা চৎলোইদবা, চাগদবা চারোইদবা, থক্কদবা থক্লোইদবা, ঙাক্কদবা ঙাক্লোইদবা, য়েংগদবা য়েংলোইদবা অসিনচিংবা হায়বসি 'দু ওর দু নোট' হায়বা য়েক তরেৎকী (য়েন্ তরেৎকী) চৎন-কাঙলোন চৎলবদি মীনা 'শা' অমদি 'শাহিং ঙাহিং চাবা' হায়বদু কৈদৌনুংদা থোংলোই লোয়নননা মসিবু চৎলিবা লন্নাই মী অমা হেক্তনা নৎত্রগা মী কাঙলূপ অমা হেক্তনা লৈরিবা লৈবাক অদুদা অঙৈংবা, অতপ্পা অমদি নুংঙাই য়াইফবগী ঈৱাই ঈনিল (ঈৱাই-ঈনিং) পীরক্কনি হায়বসি য়েংমিন্নবা অমদি চাংয়েং তৌমীন্নবা য়াই হায়বগী পাউজেল মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মালেম পূম্বদা পাউজেল য়েল্লীবনি।

লোয়নননা নুমিৎ তরেৎনি অসিগী মনুংদা করম্বা নুমিৎতা অমদি হায়রিবা নুমিৎ অমমমগী মতাং ওইবশিং হায়বদি অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং হায়রিবা অহুমসিগী মনুংদা করম্বা মতাং অমমমগী করম্বা তাঞ্জা (পুংজা০ অমমমদা করম্না য়াহৌগনি, করম্না মপান-ঈপান থোক্নি, করম্না অমাং-অশোই লৌথোক্কনি, করম্না ঈরু-ঈশেং তৌগনি, চাক্লেন অমমমগা লোয়নননা করম্বা মনা-মশিং, মরোই-মপাং অমদি এঞ্জাং-য়েন্-লম করম্না চাগনি, করম্না শাজেল তৌগনি, করম্না থবক শুগনি অমদি পোত্থাগনি, করম্না তাইবঙ মরূ হুনগনি অসিনচিংবশিং অসি মী মহাক নত্তনা শা অমদি শাহিং ঙাহিং চাবা মখোয়না কৈদৌঙৈদসু খঙগদবা অমদি চৎকদবা নত্তে।

অমুকসু, অঙাংগী ঈপান থাবা, চউম্বা, নাহুৎ নারেং পাঙথোকপা, লৈমিং মিংখৈ (লাইমিং মিংখৈ) লৌবা, য়ূম শাবা হৌননবগী মেন উরেপ তম্বা (যাত্রা হুনবা), য়ূম শংকাবা, লুহোং খোংদোংবা, চাকহেন-ঙাহেন পাঙথোকপা, অশিবগী থৌরম (সোরাৎ) পাঙথোকপা অসিনচিংবশিং অসি করম্বা নুমিৎ থবান্দা পাঙথোক্কনি হায়বা অসিসু 'শা' অমদি 'শাহিং ঙাহিং চাবা' মখোয়না খঙগদৌবা অমদি চৎকদৌবা নত্তে। মী হায়বসিনা হায়গদৌবা, শোনগদৌবা, শক্কদৌবা, পাঙথোক্কদৌবা অসিনচিংবা অসিনা মফম, মতম অমদি মরম চানা চৎনরকপা নাইবা কাঙলোনশিং ওইরকপবু ঙাকচবা অমদি চৎচবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, মতমদুগী হৌরকমী অমদি য়েলহৌমী ওইবশিং অদু মীগী থাক্তগী মীওইবা হায়বা থাক অদুদা কাখৎপা ঙমখিবনি হায়বসি মীরোলসিদা হিংলিবা ঈলৈচাশিংনা খঙবীগদবনি হায়জনীংই।

হায়রিবা চৎনরকপা নাইবা কাঙলোন হায়বদি 'চৎনাই কাঙলোন' ওইবশিং অদুবু ঙাক্না চৎচবা ঙমখিবা (কাং) অদুগুম্বা হৌরকমী অমদি য়েলহৌমী ওইবশিং অদুনা লৈরমদুনা (লৈ) য়াইবী মরাং কায়না পাক্না চাউনা শন্দোক্লিবা মফম লৈপাক (পাক) অদুবুনি 'কংলৈপাক' হায়না কৌনগদৌরিবসি। চৎনাই-কাঙলোন (কাং) অদুনা লৈরিবা (লৈ) অদুগী 'কংলৈ' কৌনবনি, চৎনাই-কাঙলোন (কাং) অদুনা শিন লাংববু (লাং) 'কাংলাং' কৌনবনি, চৎনাই-কাংলোন (কাং) অদুনা থম্মোয়নুংদা হুল্লক্লিবা (হুন্) অদুবু কাংহুন (কাংহু) কৌনবনি অসিনচিংবা 'কাং' হায়রিবা খোন অসিগনা অতোপ্পা খোনগা লোয়নরিববু খঙমিন্নবা য়াই। চীনবান মথক মখা অনী কাপাক (কবাক) খন্না য়া লাউনা কাথোকপগা লোয়নননা থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতমদা কাথোক্লিবা অদুদা উফুল-ৱাইফুল চংদুনা খৌনাও খ্রক-খ্রক কংশিল্লকপা হায়বসি সাইন্টিফিকেল্লি অদুমক চুম্লবনি। চাদ-থক্তনা নোংম-নোংমগী ময়াং কংশিল্লক্তুনা (কং) শিথরকপা (শি) অদুবুনি 'কংশি' হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু ঈখেং (ঈখিন) পাক্লবা লৈনা শাংনা তিংথোকপগা লোয়নননা থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতমদা মালেম লৈমাইথক অসি থৱায় পানবগী অঙাংবা ঈনা শিল্লকপা হায়বসি নেচরেল্লি অমদি সাইন্টফিকেল্লি অদুম্মক চুমদুনতা লরগদবনে।

মথক্তা পঞ্জখিবা 'কংলৈপাক' কী ৱাহন্থোক অসিদি পানলোন/ঈপানলোন ওইবা ৱাহন্থোক্না হঞ্জবনি। থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকিল্বা অদুগা (ঈ) মী মহাক্কী হকচাং কয়াৎ ওইবশিংগা পান্নরক্লিবা খোনলৈ-খোনতা ওইবশিংনা (পান) মাইলোন (মরোন) নাইরকপা (লোন) অদুবু ঈপানলোন/পানলোন কৌনবনি। 'কংলৈপাক' অসি ঈনুংলোন/নুংলোন ওইবা ৱাহন্থোক্তা হন্দোকচরি। থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না (কাং) কোকনুংগী কাচিন্দা চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোন (মরোন) হায়বদি ৱাখল্লোন/মিংখনলোন ওইবশিং অদুনা কোকনুংদা কোনথোক-কোনশিন শান্নরিবা লৈ মথক্তা (লৈ) পাক্না শন্না তারক্লিববু (পাক) অদুবু 'কাংলৈপাক' হায়না কৌনবনি। থম্মোয় নুংগী ঈনা কাংলকপা মতুংইন্না (ঈ) কোকনুংদা (নুং) চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোন (মরোন) অদুবু ঈনুংলোন কৌনবনি। ● (মখা চৎথজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৪)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

(হান্নগী মখা চৎথজরকপা...)

লোন্দুনা লৈরম্বা থম্মোয় থোঙজাও পোরোল নাতৈ কাংহল্লি অদুগা চক কয়াদগী পৈদুনা লৈরক্লবা অমম্বগী মপৈ অদু চামথোক্তুনা পুমঙাল ঙালহল্লি। সিদ-য়াই নাদ-য়াই শাগোন্ননা পীকথনবা মরক্তা য়াওনরগা চাকনীবগী পাংখক্লুম হাদ মীতৈ। থম্মোয় শোক্না কপখ্রবা ইধৌ খোংনাংথাবা অমদি মতম অদুগী মাইচৌ কয়াগী মীকপ মীরাওখোল তাবা ঙল্লক্ত্রদুনা চোকথবা নাইদ্রবা পাঙ্গল হাপ্তুনা মালেম পোইরৈ লমদমদা থারকখিবা নাওরিয়া ফুন্দ্রেনি। অমোৎপা খেৎতোকখিবা কয়া য়াম্না লুরুগনি। ঙসি মীতৈ শেংদোক্লে। তেংবানবনা য়াইফরে হৌজিক্তি মীতৈগী মীতৈরোল পুয়া পুদিন, মীতৈ লীচৎ লোনচৎ লাইনীং লম্বী নাওরিয়া ফুলোনা মীতৈগী চেকশিল্লবা খুনাইগী শাগোন্নরক্লবা অরুবা লাইফম খুদিংমক থিদোক্তুনা পুথোকপীরম্লে। মালেম মীতৈ পোইরৈগী লাইগী মচা মীতৈ মুৎলরোই। মীতৈ পোকপী ইমানা য়াইফরে, নাওরিয়ানা য়াইফরে।

মীওইবা অমনা মীওইবা ময়াম অমা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অচুম্বা অশেংবা নুংঙাইনা হিংমিন্নবা, লৈমিন্নবা লম্বীদুদা পুরি। ইমা লৈবাক অসিগী মীতৈ লাইনীংবু নৌহৌনা পুথোকপীরম্বা প্রোফেট নাওরিয়া ফুলোনি। লাইনীংগী মতুংইন্না ফূরুপ কাঙলূপ শেম্বগী মশিং য়াম্বা য়ামদবা থিদনা লৈজরিবা খুদিংমকপু মচা মনাইনি খন্দুনা তাশিন খোমজিন নুংশিনা নাওয়োক নাওকোন্দুনা থম্বীরম্বা মীওই অদুবু নীংশিংনৈ, শোন্নৈ। করিগুম্বদা শক্তম শাদুনা খিন্দুনা ইকায় খুম্নরিবনি। অসুম তৌনা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী শক্তম অমা মীয়াম তিনবা অমসুং মফম চাবা য়েংলগা খিন্নবা/শানবা মীতৈ লাইনীং চৎচরিবা লৈবাক মীয়ামদা হায়জরি। লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলোগী মরমদা থিগৎপগা লোয়নননা মহাকপু নীংশিংবা, ইকায়খুম্নবীফম থোক্তত্রা হায়না মীয়ামগী মফম থমজরি।

মীতৈ লাইনীংগী মতাংদা মহাক্না ঙসি লৈবাক অসিদা লৌরম্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা মীতৈ লাইনীংগী শকচ-শোঞ্জরিবা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তদি নাওরিয়া ফুলো অসি ঐখোয়গীদি ইপা ইপুনি। মহাকপু নীংশিংবীবা, ইকায়খুম্নবীবা হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমনি লৌবীগদবনি।

মসি হৌনবা তৌদনা মীয়াম হুপ্না মহাকপু থৌগৎপীগদৌবনি, ইকায়খুম্নগদৌবনি। হৌখিবগী খঙলগা ঙসি অমদি তুংগী ফনবা থবক তৌবা ঙমগনি। নাওরিয়া ফুলোগী পূন্সি ৱারী অমসুং মহাক্না মীতৈ হিংগৎনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাং ঐখোয় খুদিংনা থিগৎমিন্নবা, খঙমিন্নবা য়াম্না তঙাইফদব্রা খঞ্জে।

লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো মীতৈ লীচৎকী লুচিং পুরেলনি হায়দুনা মীতৈশিংনা মহাক্কী মরমদা খঙনবা কন্না থিগৎনরি। ঙসিদি মহাক্না ইরম্বা লাইরিকশিং পারগা মীওইবনা হেন্না ৱাখল লৌশিং লাক্নরি। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম মীতৈ লীচৎ ঙসি ঙসিমক চৎচরিবা লৈবাক মীয়াম্নদি মাগী পূন্সি ৱারী খঙবীদে নৎত্রগা নীংশিং মীতম অমত্তং খুভম অমত্তা ওইরবসু থম্নবা হোৎনবীবগী মমি তাবা ঙসি ফাওবা উবা ফংজদে। মসি তৌবীমল হোৎনবীবগী মমল খঙদবা তাই। মহাক্না হিংলিঙৈদগী পোইরৈ মীতৈগী লাইফমশিংগা অমদি মীতৈ লাইনীংগা মরী লৈনবা মফম কয়া লাইরিক্তা ইদুনা থম্বীরম্বা কয়া লৈরি। লাইনীংহলগী মরমদা ঐখোয় পূন্না থিগৎমিন্নবা লৈবাক মীয়াম অমত্তা ওইনা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি ফোঙদোকচনীংই। লোয়নননা মীয়াম তিনবা মফম অমদা লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলোগী মীতম নৎত্রগা নীংশিং খুভম অমত্তংদি মীয়ামগী লুচিংবা, মীতৈ লীচৎকী লুচিংপুরেলশিংনা থিন্দনা শানবা হোৎনবীফম থোক্তত্রা হায়না মীয়ামদা হঙ্গৎচরি। পোক্লফম ইমা লৈবাক্না মহেল্লে।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২২গী ৱাহং**

১) ''ৱানোম্বা'' হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) ''বিলি বিশ্বাশকী অঙকপা কেশ'' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) ''শৈরেং চাম্মনিপাল'' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) ''নুপীগী আশ্রম'' হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) ''মপান মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক'' হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।